ꯄꯣꯛꯅꯐꯝ পোক্নফম

www.poknapham.in ● THE LARGEST CIRCULATED MANIPURI DAILY ● www.thepeopleschronicle.in

তশার খুলদা পাঙথোকপা ৩০শুবা তাঙ্খুল কতমনাও শক্লোংগী জেনরেল কনফরেন্স অমদি স্পোর্তস মীত হৌদোকপগী থৌরমদা মিনিস্তর থোঙাম বিস্বজিৎনা ৱা ঙাঙবা

নুমিৎ হুন্নিগী ই–ৱেস্ত মেনেজমেন্তকী ৱার্কশোপ হৌদোকপদা এম য়ুগী মেথমেতিকেল এন্দ ফিজিকেল সাইন্সেসকী দিন প্রোফেসার এন রাজমুহোন সিংহনা ৱা ঙাঙবা

গ্যাসকী পাউ
লামায় ৯ দা

অঙৈং–অশা

ঈংবগী চাং	শাবগী চাং	নোংজুগী চাং	নুংশিৎ শীৎপগী চাং
18°C	26°C	12.04 mm	W to E (6 to 14 km/h)

GOLD RATE (24 Karat – Per 10 gm)

Chennai-30,120	Kolkata-30,140
Delhi-30,120	Mumbai-30,100

INR / USD
₹ 64.6364 /1$

Regd. 28436/75; MNP No. 66 Vol. 42, No. 73 | 12 Pages Imphal, Friday, April 21, 2017; শজিবুগী ২৪ নি পানবা, ইরাই *e-mail:* **news@poknapham.in** / poknaphamdaily@yahoo.co.in ₹ 4.50

ত্রাইবেলশিংগী লুপা কোতি ২২ সেঙ্কসন তৌখ্রে

থাদরিবা শেনফমশিং কনামত্তা লান্না শীজিন্নহল্লোইঃ জেৱল ওরাম

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ঃ চৎলিবা চহী ২০১৬–১৭ কী ওইনা মণিপুরদা খুন্দারিবা ত্রাইবেলশিংগী য়াইফনবগীদমক লুপা কোতি ২২ রোম সেঙ্কসন তৌখ্রে। দিবেলপমেন্তকীদমক থাদরিবা পৈশাশিং অসি কনামত্তা লান্না শীজিন্নহল্লোই হায়না ত্রাইবেল এফিয়ার্সকী য়ুনিয়ন মিনিস্তর জেৱল ওরামনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ভারতিয়া জনতা পার্তি এস তি মোর্চা, মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা তেংনৌপল হেদ ক্কার্তর কম্যুনিতি হোলদা বি জে পিগী ৩৭শুবা ফাউন্দেসন দে সেলেব্রেসন পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা চীফ গেস্ত ওইনা শরুক য়াখিবা য়ুনিয়ন মিনিস্তর জেৱল ওরামনা মণিপুরদা বি জে পিনা লুচিংবা সরকার অমা শেম্বা ঙমহনবগীদমক মীয়ামবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, মমাঙদদি শুপ্নতগী চাদা ২ ভোত পীদুনা এম এল এ অনীখক লৈহল্লম্বা অদু হন্দক্তি চাদা ৩৬ ভোত পীদুনা এম এল এ ২১ কাহল্লগা বি জে পিনা লুচিংবা সরকার লাকহনবীরে। মহাক্কী নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎ অসিদা মীয়ামগা উদুনা ৱারী শানগনি। মিনিস্তরশিংগা উনবগী মথক্তা পব্লিক প্রোগ্রাম, প্রেস কনফরেন্স, ইন্তিলেকচুএল মীতিং, কেশলেস ত্রান্সজেক্সন অমসুং সরকারনা মীয়ামগীদমক য়াইফনবা শেল্লিবা এপ্লিকেসনশিং অসি করম্না শীজিন্নগদগে হায়বদু পৱার পোইন্ত প্রজেন্তেসন তৌগনি।

মহাক্না হায়, প্রাইম মিনিস্তরনা লুচিংবা এন দি এ সরকার অসিনা চহী ৩ সাশন তৌরকপদা জাৎ বিজাৎ, ধর্ম্ম অমত্তদা য়ূম্ফম ওইরগা সাশন তৌদে হায়বসি মীয়ান্না উবা ফংলি। পূন্নমক্কী য়াইফনবা অমসুং মীয়াম পূন্নমক্কী স্পিরিত্তা থবক তৌই। হন্দক স্তেত ৫ দা মীখল পাঙথোকখিবা অদুদা স্তেত ৪ দা বি জে পি না সরকার পায়বা ঙম্লে। নরেন্দ্র মোদিনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমগী কান্নবশিং অদু মীয়ামদা মপূং ফানা ফংহন্নবা হোৎনগনি। জন ধন য়োজনাগী মখাদা পূন্না বেঙ্ক একাউন্ত কোতি ২৮ হাংদোকহনবা ঙম্লে। উজলা য়োজনা পায়খৎতুনা খুঙ্গং খূদীংমক্তা সোসিও ইকনোমিক কাস্ত সেন্সসকী মখাদা পূন্না ইমুং কোতি ২ রোমদা গ্যাস কন্নেক্সন ফংহনবা ঙম্লে।

মহৈরোয়শিংদা পোস্ত মেত্রিক অমসুং প্রি মেত্রিক স্কোলরশিপকী খুদোংচাবশিং মশাদা হকথেংননা ফংহল্লে। স্কোলরশিপকী পৈশা লান্না লৌথোক্লম্বা অদু য়াহন্দবদগী হৌজিক্তি লুপা কোতি ১০০ হেন্না কনবা ঙম্মে। মোদিনা খুঙ্গং, লায়রবা, লৌমী, নুপী অঙাং, এস সি, এস তি অমসুং লৈত লায়রশিংগীদমক অহীং নুংথিল খাক্তনা থবক তৌই। বি জে পিনা সরকার পায়রকান্দা খুঙ্গং ১৮০০০ দা মৈ ফংদে হায়বা খঙবা ঙমখি। নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা খুঙ্গং ৮০০০ দা মৈ পীনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা মথং মথং লেপ্তুনা খুঙ্গংশিংদা মৈ ফংহল্লক্লি। হৌজিক ফাওবদা খুঙ্গং ১২০০০ দা মৈ পীবা ঙম্লে। স্বচ্ছ ভারত মিসনগী মখাদা খুঙ্গংদা লৈবা য়ূমথোং খুদীংমক্তা লেত্রিন লৈহল্লিবা অমসুং স্কুল কলেজ খুদীংমক্তা তোইলেত নিংথিনা লৈহল্লিবা অসি মোদিনা লায়রবশিংগী য়াইফনবা লৌখৎপা খোঙথাং অমনি। মণিপুরদা নুমিৎ ১৪০ হেন্না ইকনোমিক ব্লোকেদকী চৈথেং লৈরম্বা অদু বি জে পি সরকার হেক লাকপগা লৌথোক্তুনা স্তেত অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতানা হিংবা ঙমহনখি। প্রাইম

মখা লাঃ ৯, কলম ৬ তা

গবর্নমেন্তনা নুমিৎ ১০০ নিদা তৌগদবা থবকশিং খন্নখ্রে

পি এম ও য়াওনা খূদক্তা ভিদিও কনফরেন্সিং তৌনবা সি এমগী ওফিসতা দাশবোর্দ খিনগদৌরি

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ঃ নুমিৎ ৩৫ নি শুখ্রবা চীফ মিনিস্তর এন বীরেননা লুচিংবা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা গবর্নমেন্ত অসিনা স্তেত অসিদা অহোংবা লৈঙাক অমা পুরক্নবা থৌশীলদা ঙসি নুংথিল পূং ৩ তাবদা গবর্নমেন্তনা পায়খৎলিবা থবকশিং অমসুং নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা তৌগদবা থবকশিংগী মতাঙদা রিবিউ মীতিং পাঙথোকখ্রে।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না, চীফ মিনিস্তর এন বীরেননা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা কেবিনেত মিনিস্তরশিং, চীফ সেক্রেতরি, প্রিন্সিপাল সেক্রেতরি, সেক্রেতরি, কমিস্নর অমসুং তোঙান তোঙানবা দিপার্তমেন্তকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংনা শরুক য়াখি। মীফম অদুনা দিপার্তমেন্ত খুদীংমক্না পাঙথোকখিবা মশক নাইবা থবকশিংগী মতাঙদা নৈনবগা লোয়ননা নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা পাঙথোকপা য়াবা মশক নাইবা থবকশিং করি করিনো হায়বদু য়াৎথোক্নবা চীফ মিনিস্তরনা পাউতাক পীখি হায়রি।

মীফম অদুনা নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা তৌগদবা থবকশিং অদু অথুবা মতমদা দিপার্তমেন্তকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংনা অথুবা মতমদা লেপথোকপগী মথক্তা চপ চাবা মতমদা এচিবমেন্ত পুরকপা ঙম্নবগীদমক মথৌ তাবা স্ত্রেতেজি পুথোক্নবসু খঙহনখি হায়রি।

সেন্তরগী শেন্থং মখাদা স্তেত অসিদা পাঙথোক্লিবা নেসনেল মিসন প্রোগ্রামশিং কদায় ফাওবা খুমাঙ চাউশিল্লিবগে হায়বগী মতাঙদসু ঙসিগী মীফম অদুনা নৈনখি। মসিগী মথক্তা সেন্ত্রেল্লি স্পোন্সর স্কিমশিংগী বেনিফিত খুদীংমক বেনিফিস্যারি মশাগী একাউন্ততা দাইরেক্ত ত্রান্সফর তৌনবগী তঙাই ফদবা থবকশিং লৌখৎনবসু মীফম অদুদা চীফ মিনিস্তরনা মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংদা পাউতাক পীখি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, গবর্নমেন্তনা দিপার্তমেন্ত খুদীংমক্কী এচিবমেন্তশিং থা খুদীংগী রিবিউ তৌবগা লোয়ননা চাংদম্নগনি। মখোয়গী এচিবমেন্তশিং অমসুং পার্ফোমেন্সশিং অসি য়েংলগা

মখা লাঃ ৯, কলম ৪ দা

অহানবা কলম

এক্সিদেন্ততা মীওই অমা শিরে, মঙা শোক্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ঃ লিলোং পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা লিলোং তাইরেনমখোঙদা পেসেঞ্জর পুবা দিজল ওতো অমগা এ স্তার কার অমগা থোমজিন্নবদা ওতো তোংলকপা মীওই অমা শিরে অদুগা মঙানা অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

লৈখিদ্রবা অদুগী মমিং এম ভি আস্লম খান (২৪), অপোকপগী মিং অলিমুদ্দিন কৌই, লিলোং চীংখাম মখা দামদগীনি। শোক্লবশিং অদুনা অনুরি (৩৮), মপুরোইবা এম

মখা লাঃ ৯, কলম ৬ তা

ধনবির ফাবদা চেন্নবা অমা পুলিসনা ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ঃ চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা লুপা কোতি অনীগী শেলগী দিমান্দদা তেরা লুক্রাম লৈরক্তগী সোইবম ধনবির কৌবা চেক্লোন অমগী মপু ফাবদা চেন্নবনি হায়বা কে আর এ (য়ু) গী কেদর অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেস্ত দিস্ত্রিক্ত পুলিস কম্যান্দোগী তিমনা ফারে হায়রি।

ফারবা মীওই অদুগী মমিং খাঙেম্বম রাজু এলিয়জ কিং (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা ইবোয়াইমা কৌই। কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তগীনি হায়রি।

মখা লাঃ ৯, কলম ৮ দা

খোঙজোম নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ঃ ইং ১৮৯১ গী এঙ্গলো মণিপুরী ৱারদা মমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোম্বা পীখ্রবা অথৌবশিংবু নীংশিংদুনা থা অসিগী ২৩ (এপ্রিল ২৩) দা থৌবাল দিস্ত্রিক্তকী মনুংচনবা খেবা চীং (খোঙজোম) দা খোঙজোম নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্কদৌরি।

থৌরম অসিদা মণিপুরগী গবর্নর দাঃ নজমা হেপতুল্লানা চীফ গেস্ত অমসুং মণিপুরগী চীফ মিনিস্তর এন বীরেননা প্রিসিদেন্ত ওইগনি।

মখা লাঃ ৯, কলম ৪ দা

CITIZEN UMBRELLA
SURAKSHA HAR MAUSAM SE
Wholesalers may contact
CITIZEN UMBRELLA MANUFACTURER LTD.
H.O.: 147, Mahatma Gandhi Road, Kolkata-7
Ph. No. 033-2268-1396, 2271-2152
Fax : (033) 2271-2151, E-mail : citizenkolkata@gmail.com

VOTE তা ৱাং পৈশা য়াম্না চঙলিবশিংবু CORRUPTION মুথৎপা ঙম্লোই

SONY SPL. PRICE
SONY LED TV
SONY 49" W752D
FULL HD
₹ ~~79,900/-~~ = ₹ 72,990/-
SONY 40" R352D
₹ ~~47,900/-~~ = ₹ 44,990/-
KLV-24P413D ₹ ~~16,900~~=₹14,900/-
KLV-24P423D ₹ ~~17,900~~=₹15,900/-
KLV-29P423D ₹ ~~23,900~~=₹ 21,990/-
KLV-32R412D ₹ ~~29,900~~=₹ 27,990/-
SONY HOUSE. PAONA BZ. IMP.
VIDEOCON HOUSE, PAONA BZ. IMP.

ঙসি থোঙ লোনবা পম্পশিং গবর্নমেন্তনা এক্সন লৌখৎকদৌরি

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ঃ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইম্ফাল তন্না লাকপা ওইল তেঙ্কর অনীদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এতেক তৌরকপগী খুদোংচাবা লৌরগা হৌজিক ওইল পম্প খরা থোঙ লোল্লিবসি হয়েংফাওবগী মনুংদা হান্নগুম মথৌ তৌদ্রবদি মখোয়গী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না কেফ এন্দ পি দি মিনিস্তর করাম শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

কঞ্জুমর এফিয়ার্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিস্ত্রিব্যুসন মিনিস্তর কে শ্যামনা পোক্নফমদা হায়, হৌজিক পম্প অয়াম্বা থাউ লৈরে। মথৌ তৌদনা লৈরিবা পম্পশিং হয়েংদগী থোঙ হাংহনগনি। করিগুম্বা থোঙ লোল্লম্বা থেংনরবদি মখোয়গী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি।

মখা লাঃ ৯, কলম ৬ তা

মিলিতরিনা ওপরেসন চত্থবগীদমক এফ আই আর লৌখৎলোইদবনিঃ আর্মি

নিউদিল্লী, এপ্রিল ২০ (পি তি আই)ঃ লালহৌবশিংগী মথক্তা ওপরেসন চত্থবগীদমক করিগুম্বা এফ আই আর লৌখৎলবদি ওপরেসন কয়া চত্থবদা অকায়বা লাকপা য়াই হায়না ঙসি সুপ্রিম কোর্ততা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মিরগুম্বা লালহৌবগী ঈরাং লৈবা মফমদা আর্মিনা লালহৌবশিংগী মথক্তা ওপরেসন চত্থবগীদমক এফ আই আর লৌখৎলোইদবনি হায়না আর্মিনা এপেক্স কোর্ত অসিদা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মফমশিং অসিদা ওপরেসন চত্থবগীদমক জুদিসিএল ইনক্বারি চত্থবদা মীচঙ মীখায় নাইবনা আর্মিগী মিংচৎ থিহল্লে হায়বা ৱাফম থমখি।

জুদিসিএল ইনক্বারিশিংদা লোকেলগী ফীবম য়েংলগা চত্থবনা মীচঙমীখায়নাইনা তৌবনা আর্মিগী মিংচৎ থিহল্লে। মিলিতরি ওপরেসন্সশিং অসি তোঙান্না খায়দোকপা য়ারোই। আর্মিনা ওপরেসন চত্থবগীদমক এফ আই আর লৌখৎলোইদবনি। করিগুম্বা এফ আই আর লৌখৎলবদি ওপরেসন চত্থবা ঙম্লোই হায়না সুপ্রিম কোর্তকী জস্তিস এম বি লোকুর অমসুং য়ু য়ু ললিত অনীগী বেঞ্চতা এতোর্নি জেনরেল মুকুল রোহতগীনা ফোঙদোকখি।

আসাম রাইফলস অমসুং আর্মিগীদমক এপিয়ার তৌখিবা রোহতগীনা লালহৌবনা শোকহল্লবা মফমশিংদা লালহৌবশিংগী মথক্তা আর্মিনা ওপরেসন চত্থবগীদমক স্তেত পুলিসনা থিজিনবগী থবক তৌরোইদবনি হায়খি।

মখা লাঃ ৯, কলম ১ দা

সঞ্জেন্থোং মনাক্তা য়ূম্নচিংবা শাজিল্লিবশিং তকথোক্কদৌরি

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ঃ ইরিগেসন এন্দ ফ্লদ কন্ত্রোলগী মিনিস্তর লেতপাও হাউকিপনা ঙসি অয়ুক পার্লিয়ামেন্তরি সেক্রেতরিশিংগা লোয়ননা হাত্তা গোলাপতি অমসুং সঞ্জেন্থোংগী ইম্ফাল তুরেল তোর্বান্দা লম খোপচিন্দুনা য়ূম–কৈ, তোইলেতনচিংবা শাজিল্লিবা কয়া অদু য়েংশিনবগা অথুবা মতমদা তকথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সঞ্জেন্থোং অমসুং হাত্তা গোলাপতিগী এরিয়াদা মিনিস্তরনা ওফিসিএলশিংগা লোয়ননা তুরেলগী তোর্বানশিং য়েংনশিনবা চৎপা অদুদা সঞ্জেন্থোং মনাক্তা তুরেল তোর্বান মথক্তা চৎলিবা লম্বী অসি থিংজিল্লগা য়ূম শাজিনবা অমসুং পুলিসকী চেক পোস্তনচিংবা শাজিল্লিবা অদু মরী লৈনবশিংদা পাউ পীরগা অথুবা মতমদা লৌথোক্কনি। কনাগুম্বা অমত্তনা লম্বী থত্তুনা য়ূম–কৈনচিংবা শাজিনবা অমত্তা য়ারোই হায়না মিনিস্তরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

য়াসকী থৌসু পুরিবা লেতপাও হাউকিপনা আই এফ সি দিগী পার্লিয়ামেন্তরি সেক্রেতরি এল রামেশ্বর, এদজুকেসন অমসুং য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্তসকী পার্লিয়ামেন্তরি সেক্রেতরি কে রোবিন্দ্রো, আর দি এন্দ পি আরগী পার্লিয়ামেন্তরি সেক্রেতরি ঐচ দিঙ্গো, য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্তসকী কমিস্নর ঐচ দিলিপ, আই এফ সি দিগী চীফ এঞ্জিনিয়ার কেএসঐচ প্রিতম য়াওনা অতৈ ওফিসিএলশিংনা ঙসি নেসনেল স্পোর্তস য়ুনিবর্সিতি শাগদবা কৌত্রক্কী মফম অদুসু য়েংশিনখি।

নেসনেল স্পোর্তস য়ুনিবর্সিতি শাগদবা মফম অদু য়েংশিল্লবা মতুংদা মিনিস্তর লেতপাও হাউকিপনা হায়খি, প্রাইম মিনিস্তর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী অকোম্বা মতম হেক লাকপগা অথুবা মতমদা নেসনেল স্পোর্তস য়ুনিবর্সিতি শানবগীদমক কৌত্রুক্তা উরেপ উয়ুং তম্লগনি।

য়ুনিবর্সিতি অসিগী মথৌ তাবা লম অসি একর ৩২৫.৯০ নি। অদুবু মসিদা অচঙবা লম খুদীংমক সেঞ্জম চিরাং, হরাওথেল অমসুং কৌত্রক্কী মীয়ান্না লেম্না পীগনি হায়দুনা হৌজিক লম একর

মখা লাঃ ৯, কলম ৪ দা

বৈদ্যানাথ
লাম্থোকচরি
১০০% শেংবা
হরবল হেল্থ জুইসশিং
চিনি
য়াওদে মচু ফজনবা
আর্তিফিসিএল ফ্লেবর
অম্লা জুইস
- ইম্যুন কনখৎহল্লি
- নিংথম চনবা অমসুং লোক খুলাইদা কান্নে
- খোং হাম্বা য়াদবগী অৱাবা কোকহল্লি
- এন্তি এজিং তোনিক
- মহৌশাগী এন্তিওক্সিদেন্ত অমসুং ভিতামিন সি
- ঊনশা অমসুং শমগী তোনিক
এলো বিরা জুইস
- দাইজেস্তিব সিস্তেম ফগৎহল্লি
- খোং হাম্বা য়াদবগী অৱাবা কোকহল্লি
- হকচাংদগী ফেত লৌথোকই অমসুং মওং মরিল তাহল্লি
- ভিতামিন মরাং কায়না য়াওই
- ঊনশা অমসুং শমগীদমক কান্নে
কারেলা জামুন জুইস
- ব্লদ সুগরগী চাং কায়হন্দনা থম্মী
- অমাঙবা থোকহনবদা মতেং পাংই
- চাবা তুমদবা অমসুং গ্যাসকী অৱাবা কোকহল্লি
- উরিং থুংবা ফহল্লি
ত্রিফালা জুইস
- খোং হাম্বা য়াদবগী অৱাবা কোকহল্লি
- কোলোন শেংদোকই
- চাবা তুমহল্লি অদুগা লিভরগী মথৌ নিংথীনা তৌহল্লি
- ঊনশাগী অফবা তোনিক
- কান্নবা পী এসিদিতিদা অমসুং এসিদ রিফ্লক্স
- চাং পুবা কাফা, পিত্তা অমসুং ভাতা
থাঙ্গাল বাজার– ইম্ফাল আয়ুর্বেদ ভবন
হেল্পলাইন এন্দ দিস্ত্রিব্যুতর্স এনক্বারিঃ ০৯০৮৯৯৫৫৬৬ ০৯৪৩৫১১৭১৯২ (অয়ুক পূং ১০ – নুংথিল পূং ৬)

মার্চ ২৭ তগী হৌখিবা ইম্ফাল–জিরি লম্বী শেম্বগী থবকশিং খূমাঙ য়াম্না চাওশিল্লি

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ঃ হৌখিবা মার্চ ২৭ তদগী ইম্ফাল–জিরি লম্বী শেমজিন–শাজিনবগী থবক মিনিস্ত্রি ওব রোদ ত্রান্সপোর্ত এন্দ হায়ৱেজগী মখাদা লৈবা কম্পনী এন ঐচ আই দি সি এল (নেসনেল হায়ৱেজ এন্দ ইনফ্রাস্ত্রকচর দিবেলপমেন্ত কোর্পোরেসন লিমিতেদ) না পায়খিবদগী লম্বী শেমজিন–শাজিনবগী থবক্তা খূমাঙ য়াম্না চাউশিল্লে।

চহী কয়া চুপ্পা ইম্ফাল–জিরিবাম লম্বী শেমজিন–শাজিনবগী থবক বি আর ও (বোর্দর রোদস ওর্গনাইজেসন) না পায়দুনা লাকপদা লম্বী শেম্বগী থবক্তা প্রোগ্রেস ইরে লৈতবদগী মীয়ামগী ৱাকৎ কয়া লাকপনা মরম ওইদুনা এন ঐচ আই দি সি এলদা লম্বী শেম্বগী থবক অসি শিন্নখিবনি।

ঙসি পাউমী খরনা লম্বী অসিদা চত্তুনা হকথেংননা য়েংশিনবদা লম্বী অসিগী হান্না লৈরম্বা ফীবমশিং অদুদগী খরা মখৈদি চৎপা য়ানবগী মওংদা কন্না শেমজিন–শাজিনবগী থবক চত্থরম্বা থেংনরকখি।

হৌজিক বি জে পিনা লুচিংদুনা শেল্লিবা গবর্নমেন্ত অসিনা স্তেত অসিদা হান্না পায়খৎকদবা খ্বাইদগী মরুওইবা থবক অহুমগী মনুংদা মতম কুইনদগী খূদোংথীবা য়াবা ফীবম অমদা লৈরক্লবা ইম্ফাল–জিরিবাম (এনঐচ–৩৭) লম্বী অসি থা অমগী মনুংদা চৎপা

মখা লাঃ ৯, কলম ৪ দা

[illegible]

- তা বীরেন
- হাউনে
- তা বীরেনগীদি ফরেনে
- কৈনো হায়রিদুবো
- তা বীরেনদি লাইবক্তা সনাগী থম্বাল শাৎলেদনা কায়দৈনোদা। মীনা তারগা
- তা বীরেন্না পানবগা ব্লোককেদ হেক্তা মতোকখি
- অদুবুদি তোকখি
- তা বীরেন্না পানবগা লাপথোক্লরুরবা মরী ফগৎনবা হেক্তা মহোৎনৈ
- অদুবুদি হোৎনৈদা
- অদো তা বীরেন নেসনেল হায়ৱেদা সিফায় থম্বা য়ারোই মহায়বা অদগী চুরাচান্দপুরগী মতাঙদুদি কমাইনা
- অদুগুম্বৈ ময়ামদু খনবদা লৱাইকাসি থম্বাল মওং মানখৈ তাঙলিসিদি খঙবীপোত্তেনে নোইসু
- য়াইহে তাবীরেনসু। লাইদা সনাগী লৈহাও নত্তবা সনাগী থম্বাল কৎশীল্লো সনাগী থম্বাল

[illegible]

[illegible]



Sir, তংশাং অহুমগা, মোরে হঙোই অমগনি লাকইসে!!!

Sir, [illegible]!!!

TATA MOTORS
Power Packed. Feature Loaded. Adrenaline Pumped.
VARICOR 400 ENGINE
NEW GEN AUTOMATIC TRANSMISSION
INTEGRATED CONNECTNEXT INFOTAINMENT SYSTEM BY HARMAN™
6-SPEED MANUAL TRANSMISSION WITH SUPER DRIVE MODES
SMOKED PROJECTOR HEADLAMPS
Price Starts From ₹ 12.77 Lakh*
TATA HEXA
Whatever it takes
HURRY! LIMITED PERIOD OFFER.
www.hexa.tatamotors.com SMS 'HEXA' TO 5616161 ^ 1800-209-7979
Authorised Tata Motors Dealers:
Tiddim Motors- Imphal: 7640001966.
*Ex-Showroom Imphal. Scheme and prices are subject to change without prior notice.